# 'নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূ করবার'

- উশম ধরমেন্দ্র -

য়ু থক্তবা মীনা য়ু য়োনফম ভেন্দরদা লাক্লগা শারবা ৱারী, ক্বা চাদবা মীনা পান দুকান মমাঙদা লেপ্পরগা ৱারী-ৱাতাই তৌরিবা, মপুশিং দুকান্দারশিংদুনা শুংতা তানীংলোই। চিননা থোক্লা চৎলো হায়বা য়াদবগী ৱানি, মথম্মোয়নুংদদি হায়রিবনি 'নঙতা খরা থুনা চৎখ্রোবা, য়াম ৱারে'। মসিগা মান্ননা মণিপুরদা শান্তি ফনা ফজনা হঞ্জিন্দুনা তংদু লৈতানা লৈরক্লগসু কুকিশিংনা ফনা নুংশিবা ৱাহৈ হায়রক্লগসু মীতৈশিংনা শুংতা হেক তানীংলরোই। করিনা মখোয়না মীতৈশিংদা চথখিবা শা-ঙাদা চৎকদবা লীচৎকী কৈদাদুনা। মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীতৈ ফূরুপ্তা কুকিশিংনা চথখিবা মীওৎ মীনৈশিংদুনা কুকিশিংবু ঙাকপীবা ঙমদনা মীতৈশিংগী থম্মোয়নুংদা মতম চূপ্পগী ওইনা অদুমক লৈহৌরগনি।

মপা মপুশিংগী হৌরকফমসু নত্তবা, মপা মপুনা কল্লন্বা লমসু নত্তবা মফমশিংদা মখোয়গী মপা মপু হৌরকফম ওইনা ক্লেম তৌবা কুকিশিংনি। লৈবাক অমগী উয়োক উমং, রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমসুং প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়া হায়বগী ৱাহন্থোক খঙদবা মদুদা লম খোপচিন্দুনা ময়ূম মকৈ শাগে য়াদ্রগা লৈঙাক্তা শাউবা কুকিশিংনি। মীওইবদা কান্নরবা উপালশিং, হীদাক পাম্বী কয়া য়াওনা চীংগী চীংমাই, চীংগী নাপোমশিংদা ইশং-শংনা পূক্লিং হুনা হৌবদা য়েংবা হৈতবা কুকিশিংনি। চীংগী চীংমাই নাপোমশিং কোকথোক্তুনা পোপী পাম্বী থাদ্রবদি হৈনদবা মখূৎ মরেং মরেং চৎপা ফূরুপনি। দ্রগ করবার চাউনা তৌদুনা শেঞ্জাও পায়নবা হোৎনবা, অতোপ্পা ফূরুপকী নহাশিং দ্রগতা লাইচুদুনা চোংখৎলক্লিবা লৈনানা লৈয়োলনুংদা কংদুনা মাঙখিবগুম হৌগৎলকপদা ঙাইরিবা পুন্সিনা খাঙুথক্তা পিখম্নখিবদা থম্মোয় পেন্না খাক্লা খাক্লা নোকচবা কুকি ফূরুপনি। মরমচৎ ফত্তবনা ম্যান্মারদগী তান্থোরকপদা মণিপুর য়ৌরকপদা সনা লৈবাক অমা থেংনবগুম মখোয়গী মান্নবা ফূরুপশিং পুনশিন্নদুনা ৱাতানৈ, অরানবা হিষ্ট্রি শেমগৎলি। মীতৈ অমসুং অতৈ য়েলহৌ মী ফূরুপশিংনা ৱানা শেমগৎচরকপা মণিপুরদা মখোয়গী ৱারী ফৈনা ফেনজিন্নবা হোৎনরকই। চহী কয়া চঙনা শাগৎলকপা মণিপুরগী মফম খরদি শুংশোয় শোয়দনা ফক্তুনা 'কুকিলেন্দ' জালেনগম অমা শেম্লগনি হায়বসি মঙলাননি কুকিশিংগী। কুকিশিংগী স্কোলরশিং অশেম্বা-শেমজিনবা ৱারী শাগৎপদা য়াম্না এক্সপার্ট ওই। মনা পীবা য়াই। মখোয়গী শেমজিন-শাজিনবা ৱারীনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন, য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর য়ৌখি। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল মীদিয়াশিং য়ৌখি।

মৈবু ফিনা কয়াম কুইনা কুপ্তুনা থমগনি হায়বদুনি, ওইদবনা অওইবা শাদুনা ইখিবা ঙাঙখিবা কুকিশিংগী সূদো ইন্টেল্লিজেন্টসিয়া, স্কোলারশিংগী ৱাফমশিং মীতৈগী লুচিংবশিং অখঙ অহৈশিংনা তপ্না তপ্না শেংদোক্তুনা মীপূম খুদিংমক্কী মায়-মীৎ পাঙহনখি। মসিদনি লৈবাক মীয়ামগী লুচিংবা হায়বসি মশানা ঐ মীয়ামগী লুচিংবনি হায়জগদবা নত্তে হায়রিবসি, মহাক্লা তৌথোরকপা থবক থৌওং, মহাক্কী এচিভমেন্ট, কন্ট্রিব্যুসন অদুনা মীয়াম্না পীবা মেন্দেটনা লুচিংবা হায়বদু ওইজরক্কদবনি। লৈঙাক্কী তোলোপ চাউনা চাবা ওজাশিং, অৱাংবা থাক্কী এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংলবশিং অমসুং মীয়ামগী মীহুৎনি হায়না খল্লক্লবশিংগী মরক্তা মতম মতমগী ওইনা লাকপা লৈবাক্কী ইস্যুশিংদা মীয়ামগী হিমাই চুম্বীগদবা মীওইশিং য়াম্নমক মথৌ তাই। অদুবু হায়রিবা মীওইশিং অসি মশীং য়াম্না লীক্লা ষ্টেটসিদা উবগুম তৌরি। মশাদা কথোকপা, মপূং ফানা মহৈ মশীং হৈবা, ওপোনেন্টশিংগা নীংথিনা দিবেট তৌনদুনা কনভিন্স তৌবা ঙম্বগী গুনশিং অদু হায়রিবা মীওইশিং অসিদা তঙাইফদনা লৈগদবনি। খঙ হৈরবনি হায়নরিবা কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং মহাক্কী তাকফম থোকপা পড়া খরা তাক্লগা পংলৈ মরৈবা, মতম মতমগী লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোকশিংদা ইয়াও য়াওদবা কয়া ঐখোয়না খুন্নাইসিদা থেংনরি।

'মীয়ামগী মীহুৎ' ৱাহৈসিমক্লা মীহুৎ ওইরিবা মহাক্কী থৌদাং রেস্পোনসিবিলিটি অসি কয়ামুক চাউবগে হায়বদু অদুমক তাকচরে। অদুবু লমদমসিদদি মীচম মীয়াম্না মীহুৎনি হায়না খল্লক্লিবশিংসি খনফম খঙদবগীরা, লৈতবগীরা নৎত্রগা খঙনা চান্নবা অমসুং শেলগী ঙাইহাক্কী মীশুম লাংদা থুখিবগীরা চঙ থোকপা মীওই হায়বদু মশীং লিক্লা য়াওরকই। অয়াম্বা মীহুৎশিংনা এসেমব্লিগী মীফম ফম্বদা নীংথিনা দিবেট তৌনদুনা চাওখৎ থৌরাংগী ৱাফমদা শরুক য়াবা অমসুং অপূনবগী শক্তি শাগৎপদা লৌগদবা থৌদাংশিং লৌবা, শরুক য়াবনচিংবা ইউ উদে। মতম মতমগী লাকপা লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোকশিংদা ইচঙ থৌনা থোরকপা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবশিং তাঙই। ইশম শম্না হন্দক্কী নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীচম মীয়ামদা অতম্ননা লান্দারকপসিদা অৱাবা তারবশিংদা থম্মোয় শেংনা তেংবাংবীবা অমসুং তুং কোইনা শান্তি ওইনা লৈনবা থবক পায়খৎপা, ওইদবা কয়ানা অওইবা শারকপা, কুকিশিংগী ৱাফমশিংদা মদুদি লাল্লি হায়দুনা মায়োক্লবা ঙম্বা মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এ, মিনিষ্টরশিং কয়াম য়াওরিবগে হায়বসি খূৎ থেক্তুনা পাবদা অদুমক ইরায় লায়না খঙবা থবকনি। মীয়ামগী মীহুৎ চঙ-চঙ লাউবা ওইহন্নীংই। মীচম মীয়ামসু হন্দক্তি ফনা ফজনা লৌশিং লৈরম্লগনি খল্লি, করম্বা মীহুৎনা, করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা মীয়ামগীদমক্তা থম্মোয় শেংনা থবক তৌই হায়বদু।

তৌশিন্নবা, হায়শিন্নবা কুইনা চৎতে, অচুম্বতনা মায় পাকই হায়বদু খঙনীংলুদ্রবসু হৌজিক্তি কুকি লুচিংবশিংসু খঙলম্লগনি। ইম্মিগ্রেন্টশিং, আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা মপূং ওইনা কুকিশিংনা তাবা মফমশিংদা হাইজিল্লকপনা মরম ওইদুনা মীশিং মহৌশাগা চান্নদবা মওংদা হেনগৎলে, দেমোগ্রাফিক ইম্বেলেন্স থোক্লে। মরম অদুনা নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স শেমদুনা মদু ফজনা মেন্টেন তৌদুনা চৎনদ্রবদি য়াররোই হায়দুনা মীচম মীয়াম মপূং ওইনা মহৈরোয়শিংনা লমজিংদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা এন আর সী মেন্টেন তৌনবা সেন্টরগী অয়াবা লৌনবা তকশিল্লকপা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লসু মদুদা সপোর্ট তৌবা উরকপদা মখোয়দৌ থিৎচরিবা কুকিশিংনা কোনশিল্লিবা ফূরুপশিংনি। বেজ য়র ১৯৫১ ওইরবদি কুকিশিং মণিপুরদগী ফনা ফজনা কেল্লে। ১৯৬১ ওইরবসু ফনা ফজনা অদুমক কেল্লে। অদুনা খৎনফম থিরকপনি। মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা য়াওখ্রবদি ট্রাইবেলশিংগী খুদোংচাবশিং মখোয়না লৌখ্রগনি হায়দুনা মপান্থোংদা উহল্লগা অটসুমগী মায়খুম উপ্তুনা চৎখিবা ট্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ মে ৩, ২০২৩নি, মনুংদনা মীতৈশিং তান্থোকখ্রগা কুকিলেন্দ অমা শাগৎলক্লবগী আশানি। ঙসিদি মখোয়গী অরোনবশিং লোইনা খঙনরক্লে। ম্যান্মারলোমদগী লোন্না চঙশিল্লকপা লুংগ্রি শেৎপা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা লমজিংদুনা লান থোকহনবনি হায়বসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংসু ময়েক শেংনা খঙলক্লে। তৌবতবু হান্নগী য়ানখিবা অরোনবা এজেন্দা খরা লৈবনা অথুবা অকনবা এক্সন লৌখৎপা ঙমদবনি হায়বদা লান্নীংঙাই লৈতে।

ঙসিদি ইন্দিয়া মালেমগী সুপর পৱারগী লমজেলদা য়াওরক্লি। দেমোক্রেসি চৎপা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা অচৌবা লৈবাকনি। নার্কো কুকি-জো টেররিষ্টশিংগী ঈরাং অসি ক্রক লাউনা লাকশিনগে হায়না লাকশিল্লবদি নোংমা নীনিগী ৱানি, চয়োল ফারোই। ইন্দিয়াগী য়াম্না চাউথোকচনীংঙাই ওইবা অমনা চন্দ্রায়ন-৩ থাগী লৈমায়দা মায় পাক্লা তাখ্রে। থাগী লৈমায়গী সাউথ পোলদা তাবা ইন্দিয়ানা অহানবা লৈবাক ওইদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমখ্রে। ইন্দিয়াগী অহুমশুবা লুনার মিসন চৎলিবা চহীসিগী জুলাই ১৪দা লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুং ওগষ্ট ২৩গী নুমিদাংগী পুং ৬.০৪দা থাগী লৈমায়দা তাখিবনি। মতাংসিদা পঞ্জনীংবা অমদি আই এস আর ওগী মায় পাক্লবা টিমদা মণিপুরদগী মীতৈ মচা ডা. রঘু নিংথৌজম, জেমস এলসু য়াওরি। ইন্দিয়া লৈবাকসিদা মীতৈ মচাশিংনা তৌরিবা কন্ট্রিব্যুসনশিং শান্ন-খোৎনবগীবু ওইরো, আর্ট এন্দ কলচরগীবু ওইরো, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগীবু ওইরো সাইন্টিফিক ইনভেন্সনগীবু ওইরো পূম্নমকসি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিং খঙহন্নীংই। চাউথোক্লা হায়বীগে মীতৈশিংনা তৌরিবা কন্ট্রিব্যুসনসিগুম্না নঙগী কুকিশিংনা তৌবা ঙম্বরা হায়দুনা।

নাকল অমরোমদা হৌজিক্তি কুকি ফূরুপকী মীওইশিংসু মখোয়না তাল্লম্বা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনদু ফংবা ঙম্লরোই খল্লক্লে অদুনা খরা হন্থবা দিমান্দ তৌরক্লে। চীংগী দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী তোঙানবা চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পি অমা নৎত্রগা মান্নবা পোষ্ট কায়না হায়দুনা দিমান্দ তৌরক্লে। নোক্লিংবা মওংনি সুম খঞ্জিল্লুরবদি। মদুসু চান্দেল অমসুং তেংনৌপলগী নাগা ফূরুপ মাপন অমসুং চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন য়াওনা নাগাগী লূপশিংনা ফোংনা য়ানীংদবা উৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে। নুঙাইদৌরি কুকিশিং। হৈমন শিংমনবা য়োং মমৈ চপ্পগী ফীভমদা লাক্লি।

মরাল লৈজদবা মীতৈদা লান্দাশিন্দুনা শাগৎখিবা ফংগনি খঞ্জখিবা জালেনগমগী আশাসু মমি শামজিল্লক্লে। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনসু ওইররোই। নিদা নিয়ু পীদ্রবসু মহুৎনি হায়বগী থৌদৌদুনি মখোয়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা তাল্লিবা দিমান্দসি। মীতৈ ঐখোয়দি মখোয়না কাংলকপা পো মুন্না য়েংবা তাবনি। মণিপুরবু মওং অমত্তদা কায়হনবা য়ারোই হায়বসিনা মীতৈ খুদিংমক্কী পান্দমনি। ম্যান্মারলোমদগী চঙশিল্লকপা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরকপদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ইন্টরনেল সিক্যুরিটিদা শীংনরক্লিবা পূম্নমক ময়েক শেংনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা খঙহনবা তাই। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কনবদা মীতোপ্পা লাঙ্গোই চনশিল্লকপদা ঙাকথোক্লবগী অকনবা পাম্বৈ ওইরিবা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স চৎনহনবা, বোর্দর ফেন্সিং নীংথিনা খাবনচিংবা পূম্নমকসি অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা তকশিনবা তাবনি। পুঙলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাবা তাবনি।

লোইশিল্লকপদা তূমদুনা লৈবা নোংশাদা কাইহৌরুবা কুকিশিং ঙসিদি কিরক্লে। কান্নফমসু খঙলক্ত্রে। ম্যান্মারলোমদগী পুশিল্লকপা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূদি য়াম্না মরাং কায়না ষ্টোক্তা লৈরি। কাপফম খঙদ্রে। মখূৎ হল্লক্লরোইদবোই নীংলুবা মীতৈশিংনা মখূৎ হল্লকপদা কুকিশিং নীংহন্নরে, কিরক্লে। অদুনা লৈরিবা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূশিং লোন্না লোন্না য়োন্থোক্তুনা শেল তানবগী ফীভমদা কুকিশিংদা লাক্লনি। মদুদসু মখোয় মশেল খৎনরনি, হাৎনরনি। দ্রগ করবার তৌবদা থৱায় তাজবা কুকিশিং নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূ করবার তৌবদা মায় ওনশিল্লক্লনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●


---

# ঙসি উবা ফংগদৌরিবা ব্লু মুন

ডো. লৈমপোকপম টিকেন্দ্র

চহী অমবু শারিবা থা ১২ অসিগী 'থা' হায়বা ৱাহৈ অসি অতিয়াদা থোক্লিবা থা অসিদগী লৌবা ৱাহৈনি। থোক্লিবা থা অসি পৃথিবী গ্রহ অসিগী নেচরেল সেটেলাইট হায়না খঙনৈ। সেটেলাইট হায়বা ৱাহৈ অসি তাবদা ঐখোয়না মীওইবনা শাবা সেটেলাইট অসিবু ওইনা হেক-হেক খল্লি। সেটেলাইট হায়রগা অচৌবা পোৎশক অমগী অকোয়বদা কোয়না চৎপা পোৎশক অমবু খঙনৈ। পৃথিবী গ্রহ অসিসু সেটেলাইট অমনি। মসিনা নুমিৎকী অকোয়বদা কোয়না চৎলি। সোলর সিষ্টম অসিদা লৈরিবা থা মশীং চনি হেনবা অসিগী মনুংদা পৃথিবী অসিগী নেচরেল সেটেলাইট ওইরিবা থা অসিনা খ্বাইদগী চাওবশিংগী মনুংদা মঙাশুবদা লৈ। মসিখক্তবু থা হায়না খঙনরিবগী মরমদি কুমজা ১৬১০দা গেলিলিও গেলিলৈনা জুপিটরগী অকোয়বদা থা মরি লৈ হায়না পুথোক্লমদ্রিফাওবা অতোপ্পা থা কয়া অমসু লৈ হায়বা খঙনরমদে।

থাগী মশাগী মঙাল লৈজদে। নুমিৎকী মঙালবু থানা থক্তোরক্তুনা থাবু উবা ফংলিবনি। পৃথিবীরোমদগী লাপ্না লৈবা থাগী মায়কৈদা নুমিৎনা য়ৈবা মতমবু ঐখোয়না থাশি (ন্যু মূন) হায়না খঙনৈ অদুগা পৃথিবীগা নক্লবা থাগী মায়কৈদা নুমিৎনা য়ৈবা মতমদুবু পুর্ণিমা (ফুল মূন) হায়না খঙনৈ। অসুম্না থাগী খোঙচৎ (লুনর ফেজ) অমগী মপূং ফাবা সাইকল অমদা ফেজ নিপান - ন্যু মূন, ৱেক্সিং ক্রেসসেন্ট, ফর্ষ্ট ক্বার্টর, ৱেক্সিং গিবস, ফুল মূন, ৱেনিং গিবস, থর্দ ক্বার্টর অমসুং ৱেনিং ক্রেসসেন্ট হায়না থা পানখৎলকপদগীনা থা শিথরকপা ফাওবা চাংচৎতা নুমিৎ ২৯.৫ চংই।




অসিগুম্বা থা ১২না সোলর ইয়র অমগী নুমিৎ ৩৬৫ অসি শাই। অসুম্না থা ১২ অসিগী থা মনুংদা থাশি অমা, পুর্ণিমা অমা হেক হেক লাকই।

চৎলিবা ওগষ্ট থা অসিদি পুর্ণিমা অনী লৈ। অসিগুম্বা থা অসিবু ব্লু মূন হায়না খঙনৈ। মসি থাবু হিগোক মচু ওইনা উবা অদু নত্তে। অদুগা থানা মহাক্কী ইল্লিপ্টিকেল ওর্বিটতা পৃথিবীগা খ্বাইদগী নক্লবা মতম - পেরিজি হায়না খঙনবা অসিগী অনীশুবা পুর্ণিমাবু সুপর ব্লু মূন হায়না খঙনৈ (Sky & Telescope magazine, 1946 কী মতুংইন্না)। সুপর ব্লু মূন অসি ইষ্টর্ন ডেলাইট টাইমগী ওইনা ওগষ্ট ৩০গী নুমিদাং পুং ৮:৩৭ তাবা মতম অসিৱাইদা উবা ফংগদৌরি। সুপর ব্লু মূন অসি নুমিৎ হুম্নি উবা ফংগদৌরি। ইন্দিয়ন ষ্টেন্দর্ট টাইমগী মতুংইন্না পুর্ণিমা অসিবু উবা ফংগদৌরিবা মতমশিং টেবল অসিদা পীরি।

| Date | Time (EDT) | Time (IST) |
|---|---|---|
| August 30 | 8:37 p.m. | 9:37 p.m. |
| August 31 | 6:37 a.m. | 7:37 a.m. |
| September 1 | 4:37 p.m. | 5:37 p.m. |

মতম অসিদা সেটর্ন হায়না খঙনবা গ্রহ অসিসু থাগা য়াম্না নক্লনা উবা ফংগদৌরি। সুপর মূন অসি এপোজি - থানা পৃথিবীদগী খ্বাইদগী লাপ্না লৈবা মতম অসিদা উবা ফংবা থাগী পাক-চাওবা অদুদগী শরুক ১৪% হেন্না চাওনা উবা ফংগনি। লোয়ননা শরুক ৩০% হেন্না ঙান্না উবসু ফংগনি। NASA (National Aeronautics and Space Administration) গী মতুংইন্না ব্লু মূন অসি চাওরাক্লা চহী অনী মখায়মুক্কী চাং লৈরগা হেক হেক উবা ফংই। হৌখিবা কুমজা ২০২০দা হায়রিবা ব্লু মূন অসি পৃথিবীগী মীয়াম্না উবা ফংনখ্রে। ব্লু মূন অসিসু মন্থলি অমসুং সিজনল হায়না তোঙান তোঙানসু উবা ফংলি। ঙসি য়ূমশকৈশা নুমিৎ ওগষ্ট ৩০দা উবা ফংগদৌরিবা অসি




মন্থলি ব্লু মূননি। অসিগুম্বা তাঙনা উবা ফংবা থাগী মশক অসিগী নুমিৎ অসিবু লৌদুনা ইংরাজি লোলদা তাঙনা থোকপা থৌদোক অমদি থৌওং কয়াদা 'ৱান্স ইন অ ব্লু মূন' হায়নসু শীজিন্নৈ। ●

---

# লৈঙাক্কী মেছিন্নরি অমসুং পোলিটিকেল পার্টি

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মণিপুরগী পাক চাওবা চীংগী শরুক্লা মাপন ওইরগা শরুক অমনা তম্পাক্কী শরুক ওইবা শরুক তরাগী মনুংদা স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭কী মনুংদা তম্পাক্কী শরুক অসি স্কৱার কিলোমিটর ২২৩৩ খক্তনি। মীশিংনা লাখ কুন্থ্রা খরা হেনবা মফমনি। মী কূংনা তাবনা তম্পাক লমনি। মফম অসি মণিপুরগী ৱাংমদগী লাকপা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী মাগী মাগী শিনফম-শিনফমগী মতুংইন্না টেম্পররি অমসুং পর্মিনেন্ট ওইবা কয়াসু লৈদুনা পাঙ্গলনা শূবা নোম্বা কয়া, মহৈ মশীংগী লম্‌দা সবজেক্ট এক্সপার্ট কয়া, লল্লোন ইতিক তৌবা কয়া, মসিতা নত্তনা চীংগী চীংমী কয়ানা লম্বী থোংগী চৎথোক চৎশিনগী ৱাদ নত্তনা ব্যুরোক্রেসি কয়ানা কেপিটেল ফেসিলিটিগী খুদোংচাবগী মহাও লৌনবা কয়া অমসু ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবনি। লৌউ-শিংউরম্বা মফম কয়া লৈতবনা য়োনবা, অরৈবনা লৈশিনবা কয়াদুনা য়ূম কৈ কয়া শাজিন্দুনা লৌউ-শিংউরম্বা মফম কয়া নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লবগী মরম ওইদুনা লাঙ্গোল, লম্ফেল, টিদ্দিম লম্বীগী নাক য়েৎকী লৌবুক কয়াদা খুন্দাশিল্লিবা অসি পূম্নমক্লা উরে, খঙলে। লৌবুক্তা খুন্দাশিনবা য়ারোই, লৌফম মাঙহনবা য়ারোই হায়রি লায়রবা মীওইশিংদা অদুগা অমরোমদনা ইনাক খুনবা শেঞ্জাও পায়বনা থাও য়োনফম, চেক শাফম, স্কুল লিংখৎপা, অচৌ অচৌবা লল্লোন ইতিক্কী মফম শেম শাবা, কৈথেল শাগৎপা মতমদনা লৈঙাক্লা অয়াবা পীরি। লৈত-লায়র শেম্থোক লম্বী লৈত্রবা কয়ানা হিংনবা হিংদবা য়াদবদা থেংনরিবা খুদিংমক মুন্না য়েংবীদুনা কনানা কনানো হায়বগী চপ চাবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা কয়াদু লৈঙাক্কী মেছিন্নরি অমসুং পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা মীচং শঙ্গ, অচান মীরাই নাইবা, আইনদা অনেম অৱাং নাইফম থোক্তে, আইনগী মীৎয়েংদদি লায়রবা, ইনাকখুনবা, শঙ্গ-পঙ্গগী ৱাফম নত্তবীদা ফংফম থোকপা ফংহনবীয়ু, ফংফম থোক্তবনা ফংদসনু।

লৈঙাক্লা শেম্বা স্কিম কয়াদা চৈখৈ খাবা, লৌথোকপা তৌহৈদবা থবকনি। ফিশাবীদা ফিশাকোল পীবা, লং ফংহনবগী অফবা খোঙথাংদুগী মহয় লৈগনি। নত্তদুনা ফি শাদুনা অয়ূক নুমিদাং তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ তৌদুনা য়ূম পুনবা ফিশাবীদা ফিশাকোল ফংহন্দবা, লং পীদবা য়াওরবদি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। বি পি এল খনবদা লৈঙাক্কী মেছিন্নরিশিংনা অচুম্বা তৌজবা ঙমহনবীয়ু। অদু হাপচিল্লু, অদুগী মীদু লৌথোকউ হায়বা পোলিটিকেলগী খূৎ চঙবা য়াওরল্লবদি মদু লৈঙাক্তা কালি তৈশিনবনি। ময়ূম মকৈ পক্কা বিল্ডিং শাদুনা লৈরবা কয়ানা বি পি এল ওইবা, ময়ূম ফক্লাং শেগাইবা, ফি অমনবা শেৎনদ্রবনা নুংশিৎ ঙাক্লগা লৈবা ইমুংনা বি পি এলগী খুদোংচাবা লৈঙাক্কী স্কিমদগী লাপথোকহনবা কয়া থোক্লিবা অসি মরী লৈনবা লোয়শঙনা অচুম্বা অশেংবা তৌজনবগী মতম ফংহনবীগদৌবনি। মদুদি নত্তনা মাদি ঐখোয়গী পার্টি নত্তে, মমাঙগী ভোট ঐখোয়গী নত্তে হায়বা চৎনবী থল্লবদি স্কিমদুগী পনখৈ ৱাংমা লান্না থবক তৌরে হায়বদু মশানা তাকথোকচরে।

ওল্ড এজ পেন্সন কনানা ফংগদৌরিবনো হায়বা ময়েক শেংনা মীয়াম উবা মফম কয়াদা হোর্দিং খিন্দুনা খঙহনবীয়ু। ঙসি মণিপুরগী মফম কয়াদা সর্ভে তৌদুনা ফংবা য়াবা অদু ওইরবদি লোয়শঙ অদুগী ওফিসলশিংনা মনিং তম্না মথৌ তৌহনবা ফৈ। ফংবা য়াদবা ওইরগনা মশানা খঙনা নৎত্রগা মচাশিং মশুশিংনা উরিবা খঙলিবা তারিবা অদুগী মতুংইন্না তোকচখিগনি। ওল্ড এজ পেন্সনদা, বি পি এলদা, লুখ্রাবী কয়াগী বেনিফিট ফংহনবদা, কন্সত্রক্সন ৱার্করসকী কার্দ পায়হনবদা, জোব কার্দকী থবক শূবদা, রাষ্ট্রা স্বাসঠা বীমা যোজনাগী ইনরোল তৌবদা মখাদা কান্নবা ফংগদৌবা ফংলোইদৌবা মশক খঙনা লৈঙাক্কী ওইবা মেছিন্নরিশিংনা য়াম্না মুন্না কনানা কনানো খঙনা থবক তৌহনবা ফৈ নত্তদুনা ঐগী মাগী হায়বা মিৎয়েংনা থবক তৌবা মতমদা কনানা শাওনীংবা কনা অমনা পেন্দবা পোকপা থোক্তনবা থবক মরী মখোঙ শেংনা তৌবা ফগনি।

লৈঙাক্কী লোয়শঙ কয়াদা লৈঙাক্লা মাগী মাগী শিনফম অদুগী চান্ন-চান্নবা তোলোপ পীদুনা হিংনবগী তঙাইফদবা অদুদি তৌবা ঙমহল্লি। মসিদগী অহেনবা তৌফম থোকপা মথৌ তৌবদা করিগী ফাইল লোৎশিনবা, মসি তৌহৈদবা থবকনি। মৈ শেম্বদি শেল পীয়ু হায়বা, ঈশিং লৌশিনবা, মৈ লৌশিনবা কঞ্জুমর অমা ওইনবা হোৎনবদা টি আর কল্লগা লৈঙাক্কী এক্স চেকরদা চংবদুদি লৈঙাক্কী ওইবা মফম মতম চানা মীয়ামগী লননি। নত্তদুনা মণিপুর সেক্রেটেরিএটতা, লৌরুংশঙদা, মৈ শেম্বদা, ঈশিং কনেক্সন তৌবদা, এম জি ঈ এল ফংহনবদা, পেন্সন চৎপদা, ট্রান্সফর এন্দ পোষ্টিংদা, প্রমোসনদা ঐগী মীগী য়েংবদা শেঞ্জাও পুথোক্লগা অথেন পোৎ কৎপা ঙম্বা কনা কনানা থবক্তগী পোথারবা মতুংদা চহী কয়া কয়া শাংদোক্লগা মখাদগী মথং মথং কাজরক্কদৌবা কয়াগী পুন্সিবু মমল য়াওহন্দবা, শিন্নী মশেল মরক্তা অমগা অমগা নুংশিনহন্দবা থোক্লবগী লম্বী শেম্বদি অফবা খোঙথাং নত্তে।

মথৌ মশক খঙবা ওজা কয়া মাগী মাগী মহৈগী থাক, মাগী মাগী পোজিসনগী মতুংইন্না এ আই, দি আই, ইন্সপেক্টর, করিগুম্বা হেন্না ফবা লৈঙাক হৈবা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইদুনা দাইরেক্টর ওফ স্কুল ওইখিবা লৈখ্রবনি। মসিদসু নত্তনা কোলেজ কয়াদা ফিদম্নফম ওইরবা মাগী মাগী ইন্সটিট্যুট অদুগী মহৈরোয় অমসুং মাগী টিচিং অমদি নন টিচিং কয়াবু য়াম্না ফজনা ষ্ট্রিম লাইন তৌবা ওজা কয়ানা প্রিন্সিপালগী থাক্ত লোইশিনখিবগী লম্বী কয়া অসিসু শিন্নীবু পূক্লিং থৌগৎপা নত্তে। মথৌ মশক খঙবা মহৈ মশীং মতিক চানা হৈবা কয়া মাগী মাগী মথৌ মশক খঙবা, থৌদাং লৈবা অদুবুদি ইকায়খুম্নবীবগী তঙাইফদবা অদু থম্বীবা ফবরা হায়নীংই।

মশাসু ফরবা মহৈ মশীংসু মতিক চানা হৈরবা, মথৌ মশক খঙবা কনা কনানসু থৌনবা ঙাইদ্রবা মথক থোংবা কয়াবু ইকায়খুম্নবা পুলিস কন্সটেবল অমগী পুন্সি মহাক মহাক্কী অহানবা চংবা পোষ্ট অদুদা লোইহনবা তাবরা। খুদিংমক দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্টতগী হৌরগা মতোন ফাওবা আই পি এস অমসুং এম পি এসশিংগী রিজার্ভ ওইখ্রবদি এ এস আই, এস আই অমসুং ইন্সপেক্টরশিংনা হৈনীংবা পোক্লখিগদ্রা। মসিগা চপ মান্নে তোঙান তোঙানবা লোয়শঙ কয়াদা মথৌ মশক খঙবা শিন্নী অমা ওইবগী চপ চাবা মথৌ তৌবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। মখোয়বুসু মথক থোংবশিংনা পীবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মখোয় মখোয়গী লাইন/হীরম অদুদা প্রমোট তৌবীদুনা লৈঙাক্লা ফিদা পীহঞ্জনীংবগী অপাম্বা শোয়দনা লৈগনি।

পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা মসিনা মপেল্লে হায়বা লৈতে। মথং মথং মীয়াম্না শকখঙ মায়খঙনবা শক্তি লৈনা লৈঙাকপা পাম্নে। লৈঙাক্কী মখাদা শিন্নী অমা ওইনা লৈবা মতমদা মীয়ামগী সেবা ফজনা তৌরম্বা কয়া মীয়াম্না কাউনদে। মখোয় মখোয়না লৈখিদ্রবসু তুংগী মীরোলশিংনা পুথোক পুথোক্তুনা শীংথাবশিংগী মনুংদা এদ্যুকেসন্দা তৌরাংবম ইবোতোম্বী পনবা য়াই, নন্দবাবু রোয় শীংথাবা য়াই। মণিপুর পুলিসকী মরক্তা লাইশ্রম গোপাল মীয়াম্না কাউনদ্রি। পোলিটিকেলগী ফম্বাক্তসু য়ংমাসো সৈজা, মহম্মদ অলিমুদ্দিন কাঙলূপ-ফূরুপ নাইদনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা চাওখৎমিন্ননবা, থোং মান্ননা পুখৎলম্বা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমনি মখোয়সু।

চৎখিনি, লোইখিনি নোংমদি মীওইবগী পুন্সি। পোকপা শিবা নাইবা অনীগী মরক্তা তাইবঙপানবা জীবশিংগী মচৎনি। পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ্তা য়েতুম অমা পুদুনা চৎপা য়ারোই। অফবা থবক তৌবগীনা অফবা মীংচৎ, ফত্তবা থবক তৌবগীনা ফত্তবা বদনামগী মিংথোল। হায়নবা লৈ তাংজ লিননা থেক্লা খোইনা কয়া কয়া চৎলবসু মখুল চঙলমদাইদা চুমদ্রিং চংখি হায়নবগুম ওইদবা শেংদবা কয়ানা তানবা শেল ঐগী ঐগী পুন্সিগী অরোইবা মীকুপকী মতমদা পৈশা ময়েক অমা ফাওবা পুবা য়ারোই।

শিন্নীনা শিন্নীগী মগুন ঙাক্লা ইথৌ পাঙথোকসি। ইথৌ তৌবদা থৌদাহনবা, শেল ঙাইবা মীদু হিংনা হিংনা শিবা হৌরবনি। মাবু শোনবীবা, মাবু থাগৎপীনবা কনাসু লৈরোই। ঐখোয় খুদিংমক অমনা অমগী মতেং পাংনবা, পোলিটিক্স তৌরিবা খুদিংমক্লা পার্টিগী খেন্নবা থমদনা লমদমসিগী মীচম মীয়ামনি হায়বগী অমত্তা ওইবা মীৎয়েংনা য়েংবা ঙম্বা লৈঙাক অদু মীয়ামগীনি। ●